ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

ঙসি পাঙথোক্কদবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা হৈরোক্কী মীয়াম্না শরুক য়াররোই হায়না হৈরোক অপূনবা ক্লবকী এদভাইজর এম রামেশ্বরনা মৈরা পায়বীশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা লাউথোকপা

মালেম লূপ্পবা পোকপা মী মখল
☛ লামায় ২

মীতৈগী পুয়া 'নিঙথৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)
লামায় ৪

মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক্কী মতাংদা ইনক্বারি কম্মিসন্দা এফিদেবিট ...
☛ লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'
☛ লামায় ৯

ঙসি পাঙথোক্কদবা ৭৫শুবা রিপব্লিক দে থৌরমগী মাঙওইননা ঙরাং পাঙথোকখিবা ফুল দ্রেস রিহার্সেলদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংগী কন্টিঞ্জেন্ট অহুমগী মনুংদা অমা

Vol. 47, Issue No. 295 | ইরাই, ৱাক্চীং ১৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, January 26, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

শুগুনুদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ২ রক লান্দারকখ্রে

হৈরোক্কী 'পেরিফেরি প্রোটেক্সন ফোর্স' (পি পি এফ) শেমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) : মে ৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লানগী মৈশা নংলবা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী শুগুনুগী মফম খরদা ঙরাং নুমিদাংদগীনা নোংয়াই মতুং ফাওবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ শীজিন্নদুনা অকনবা মওংদা লান্দারকখিবদা মসিবু মায়োক্নখিবা খুঞ্জাশিংনা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং মথৌ তৌহনবা ঙমদ্রবদি লৌথোকপীখ্রো হায়বগী পেন্দবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্নরকখ্রে।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা কাপশিল্লকপা বোম পোকখায়খিবা শুগুনু অৱাং লৈকায়দা পুলিসনা য়েংশিনবা

অহানবা থৌদোক্লা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.১৫ রোম তারকপদা থোকখিবনি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নাপৎ খুলগা থংননা লৈরিবা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুকি খুল অমা ওইরিবা টি লাইলোইফাই খুলদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ মরু কয়া ...মখা লমায় ৩ কলম ১

নেসনল গ্রীদতগী এলোকেসন শুনা ফংদবদগী মৈ চাং নাইদবনি : এম এস পি দি সী এল

দোনাল্ড সাইরেম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) : হন্দক মরক মণিপুরগী মফম পূম্নমক্তা মীয়াম্না মৈ চাং নাইনা ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবসি ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা মৈ পুথোক পুশিনগী নেটৱর্ক ওইরিবা নেসনল গ্রীদতগী মণিপুরগী ওইনা ফংফম থোকপা মৈগী এলোকেসন শুনা ফংদবননি হায়না মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) কী মেনেজিং দিরেক্টর ঐচ শান্তিকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা মহাক্না ফীভম অসি ওইরগসু মীয়ামদা মৈ চাং নাইনা ফংহন্নবা থৌরাংদি পায়খৎপা হৌরে হায়রকখি।

পাৱর গ্রীদতগী মণিপুরগী মৈগী এলোকেসন শুনা ফংদবদগী মীয়াম্না মৈ চাং নাইনা ফংদবা ওইরম্লে

মহাক্না হায়, হৌজিক মণিপুর খক্তা নত্তনা ইন্দিয়া পূম্বদা মৈ চাং নাইনা ফংবদগী অৱাবা মায়োক্নরি। মহৌশানা দিসেম্বরদগী জন্যুৱারী ফাওবদি ঈশিং মরাং কায়না লৈতবনা হায়দ্রো পৱার প্লান্টশিংদগী মৈ পুথোকপগী চাং য়াম্না নেম্মী। মরম অসিনা নেসনল গ্রীদতগী মণিপুরগী ওইনা ফংফম থোকপা মৈগী এলোকেসন শুনা ফংদ্রি। মণিপুরগী ওইনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫দগীনা ১০ ফাওবদা মৈ শীজিন্নবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা নোংমগী ওইনা মৈ মেগাৱাট ২৬০ মথৌ তারি। অদুগা অয়ুক পুং ৬/৭তগীনা ১০/১১ ফাওবদনা মৈ মেগাৱাট ২২০ লোম মথৌ তাই। নেসল গ্রীদতগী মণিপুরগী ওইনা মৈগী এলোকেসন মেগাৱাট ২৪২ ফংগদবগী মনুংদা হৌজিক ফংলিবসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

কন্টিঞ্জেন্ট ৩০ খক্তা শরুক য়াদুনা রিপব্লিক দেগী রিহার্সেল পাঙথোকখ্রে

রিপব্লিক দেগী থৌরমদা হৈরোক্কী মীয়াম শরুক য়াররোই : এম রামেশ্বর

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) : হয়েং লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা পাঙথোক্কদবগুম ইম্ফালদা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৫শুবা রিপব্লিক দে থৌরমগীদমক ঙসি ফুল দ্রেস রিহার্সেল পাঙথোকখিবদা মহৈরোয়শিংগী কন্টিঞ্জেন্ট অহুমখক্তমক য়াওনা পূন্না কন্টিঞ্জেন্ট ৩০না শরুক য়াখ্রে।

থৌরম অসিগী কন্টিঞ্জেন্টশিংগী মার্চ পাষ্ট অদু ঙসি অয়ুক অহানবা এম আরগী কম্মান্দিং ওফিসর কে এস ঐচ রবিকুমারনা পেরেদ কম্মান্দর ওইদুনা লুচিংলগা মহাক্কী বট্টালিয়নগী পেরেদ গ্রাউন্দদগী চৎপা হৌখি।

কন্টিঞ্জেন্টশিংনা জেল রোদতা থোরল্লগা রাজ ভবন মমাঙগী লম্বী ফাওদুনা লাল্লগা খুয়াথোংদগী নোর্থ এ ও সী য়ৌরল্লবা মতুং কংলাগী অৱাং থংবা সনথোঙদা চঙলল্লগা উত্রা শঙলেন মমাঙদা সেলুট পীখি। তুংদা কংলাগী মখা থংবা সনথোঙদা থোরল্লগা চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলো মনীংগী হায়ৱে পরিংদা লাল্লগা অহানবা এম আরগী মমাঙ থংবা গেটতা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

১৪শুবা নেসনল ভোটরস দে

অফবা লুচিংবা লৈরগদি লৈবাক ঈংনা-চিক্না পানগনি : এম ঐচ খান

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) : লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা পাঙথোক্লবগুম ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা সী ঈ ও, মণিপুরগী ওফিসতসু হন্দক চহীগী ১৪শুবা নেসনল ভোটরস দেগী থৌরম চহীসিগী পান্দম 'নথিং লাইক ভোটিং, আই ভোট ফোর সিওর' হায়বগী মখাদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা চীফ সেক্রেটরি বিনিট জোসিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি এম ঐচ খাননা অখন্নবা মীথুংলেন অমসুং সী ঈ ও, মণিপুর পি কে ঝানা থৌরম মপু ওইখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

গভর্ণরনা রিপব্লিক দেগী পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) : মহৌশাগুম্না হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৫শুবা রিপব্লিক দে থৌরমগী মাঙওইননা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

হয়েংগী নুমিৎ অসিদা ঐখোয়না ঐখোয় ইশাগী কন্সটিট্যুসন অমা শেমজদুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু লমজিংবা হৌখিবা নুমিৎনি হায়রদুনা নুমিৎ অসিদা ঐখোয়না লাই ওইখ্রবা অহল-লমনশিংবু মখোয়দা লৈরম্বা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

নোংমৈগা কোন্ননা ফাখিবা কুকি ২ পুলিসতগী মুনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) : ঙরাং বি এস এফ, কুমাওন রেজিমেন্ট, সী আর পি এফ অমসুং পুলিসকী কম্বাইন্দ টিম্না তোর্ব্বুং এরিয়াদগী কুকি মচা অনী কন্ত্রিমেদ ৯ এম এম পিষ্টোল অমগা কোন্ননা ফাগৎখিবদু কম্বাইন্দ টিম্না চূড়াচান্দপুর পুলিসতা খুৎশিন্নরল্লবা মতুং ষ্টেসন তান্না পুরকপদা য়াল্লবা কুকি নুপীশিং থোমজিল্লক্তুনা পুলিসতগী মুল্লগা পুখ্রে হায়রি।

পুলিসকী মখূৎতগী মুনখ্রবা মীওইশিং অদুদি চূড়াচান্দপুরগী তুইবোংদগী সৈমিনলেন দোঙেল (৩৪) অপোকপা হেলথোং অমসুং কৈথেলমানবীদগী জেমস হাওকিপ (৪০) অপোকপা ঙুলখোলেট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

পাউচে পুথোক্লোই

ঙসি জন্যুৱারী ২৬, ২০২৪ রিপব্লিক দেগী প্রেস ছুটি ওইবনা জন্যুৱারী ২৭তা পাউচে অসি পুথোকচরোই। -মেনেজর

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

অস! লোইরেহে!

- ময়াম ঐ ভোট মমাঙদা শেল য়েল্লরোই।



- সারগী মতম লোইরে অদুদি।

HL Poll

Q : Union leingakna Manipurgi tamthiraba Lan loisinba pamdabadagi tha 9 youna chattharaklibani haibada aranba wapham oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Arambai Tengolna Kangla meephamda pikhiba numit 15nigi manungda khutyek pikhibasingna demand 6ki matangda Centreda taksinba ngamgadra?

Yes 40% No 60%



Government of India

লৈবাক অসিগী সিটিজন পূম্নমক্তা য়াইফ পাউজেল পীজরি

75 শুবা

রিপব্লিক নুমিৎতা

"মসি ভারতকী চাওখৎ খোঙথাংগী 'অমৃট কাল' নি। ঙসি, ভারত অসি থবক তৌনবগী পাঙ্গলনা চোল্লবা নহারোলশিংগী মতিক ময়াইনা থল্লে। ঐখোয় ঙসিদি ঐখোয়না হোৎনরিবা অমসুং তৌরিবশিংনা মথংগী চহী লিশীংগী ওইনা ভারতকী য়ুম্ফম চেৎশিলহনগদৌরিবা অওনবা লাকহনগদবা তাঙ্কক অমদা লৈরে।"

– নরেন্দ্র মোদি

CBC 22201/13/0231/2324

দুরদর্শন নেটৱর্কতা অয়ুক পুং ৯:০০দগী হৌরগা কর্টব্যা পাথতগী রিপব্লিক দে সিলেব্রেসনগী লাইভ টেলিকাষ্ট